**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 14-11-2024)**

**অফস্পা (এল)ঃ** মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা জিলা মঙাগী পুলিস ষ্টেসন তরুক া কোনবা মফমশিংদা ঙসি খুদক্তুগী অমুক হন্না আর্মদ ফোর্সেস স্পিসিএল পৱারস এক্ট (অফস্পা) ১৯৫৮ কী মখাদা দিষ্টর্ব এরিয়া লাউথোকখ্রে। হায়রিবা পুলিস ষ্টেসন তরুক অসিনা কোনবা মফমশিং অসি হান্নদি দিষ্টর্ব এরিয়া লৌথোক্লুরবনি।

পুলিস ষ্টেসনশিং অদুদি-ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী সেকমাই অমসুং লমশাং, ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লমলাই, জিরিবাম জিলাগী জিরিবাম, কাংপোকপী জিলাগী লৈমখোং অমসুং বিষ্ণুপুর জিলাগী মোইরাংনি। মসিগী মতাংদা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়না ঙসি নোটিফিকেসন অমা থোকখ্রে।

নোটিফিকেসন অদুনা হায়-মনিপুরদা ওইরিবা সেক্যুরিতিগী ফিভম অমুক হন্না য়েংশিল্লবা মতুংদা কেন্দ্রনা হায়রিবা পুলিস ষ্টেসন তরুক অসিনা কোনবা মফমশিংদা অফস্পা থন্বগী তঙাইফদবা লৈরে হায়না ৱারেপ লৌদুনা দিষ্টর্ব এরিয়া অসি লাউথোরকপনি। মসি মথং চহি ২০২৫ গী মার্চ ৩১ ফাওবা চৎনগনি। দিষ্টর্ব এরিয়া লাউথোকপা অসিনা হায়রিবা মফমশিং অসিদা সেক্যুরিতি লৈহন্নবা অমসুং লালহৌবশিংগী থবক থৌওংশিং লাকশিন্নবা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংদা নীংথিনা ওপরেসন চথুবা ঙমহল্লগনি।

নীংশিংবা য়াই, রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংগী পুলিস ষ্টেসন ১৯ দা হান্নদি দিষ্টর্ব এরিয়া লৌথোক্লুরবনি। মসি হৌখিবা ওক্তোবর অমদগী মখা তানা থা তরুক শাংদোরকপনি। মরকসিদা, ঙসি পুলিস ষ্টেসন তরুকনা কোনবা মফমশিংদা অমুক হন্না দিষ্টর্ব এরিয়া থমজিল্লকপনি।

**সেক্যুরিতি (এল)ঃ** মনিপুরদা হৌজিক ওইরিবা শান্তি রক্সাগী ফিভম অসিগী য়েংলগা গৃহ মন্ত্রালয়না নৌনা থারকখিবা কেন্দ্রগী আমর্দ পুলিস ফোর্সকী

কম্পানি ২০ ইম্ফালদা থুংলরে।

ঙরাং নুংথিলদগী হৌদুনা ইন্দিয়ান ইয়ার ফোর্সকী অখন্নবা এরোপ্লেন অমদি হেলিকোপ্তুরশিংদা কম্পানিশিং অদু ইম্ফাল ইয়ারপোর্টতা পুরকখি। নৌনা লাকল্লিবা কম্পানি ২০ অসি থারগা হৌজিক রাজ্য অসিদা পুন্না সেন্ট্রোল আমর্দ পুলিস ফোর্সকী কম্পানি ২১৮ শুরে। মসিদা সি.আর.পি.এফকী কম্পানি ১১৫, রেপিদ এক্সন ফোর্স কম্পানি ৮, বি.এস.এফ. কম্পানি ৮৪, আই.টি.বি.পিগী কম্পানি মঙা অমদি এস.এস.বি. কম্পানি তরুকনি।

**বসন্তা (এল)ঃ** শিক্ষা মন্ত্রি-থৌনাওজম বসন্তকুমারনা ঙসি অঙাংশিংগী নুমিৎকা মরী লৈননা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

শ্রী বসন্তকুমারগী পাউজেলদা হায়-অঙাংগী নুমিৎ অসিদা তুংগী য়ুন্বী ওইগদৌরিবা অঙাংশিংগীদমক্তা অফবা শিক্ষা পীবা, অকি-তুজং য়াওদনা অঙাংশিংনা নীংথিনা লাইরিক তমহনবগী অচৌবা থৌদাং লৈ হায়বসি নাংশিংহল্লি। মহে মশিং নীংথিনা তম্বা হায়বসিনা তুংগী মতিক চাবা নাগরিক অমমম ওইরক্তুনা লৈবাক অসি য়ুন্বী ওইরক্কদৌরিবনি। ঙসিগী অঙাংশিংগী আশা অমসুং মখোয়গী পান্দমনা তুংগী লৈবাক অসিগী শক্তম লেপকদৌরিবনি হায়নসু মন্ত্রিনা মখা তাখি।

**বিজেপি (এল)ঃ** জিরিবাম জিলাগী বোড়োবেক্রা দিভিজনগী জাকুরাধোরদগী অঙাং অহুম য়াওনা মীওই তরুক ফাজিনখিবা অদু তেক্ত-কায়দনা থাদোরকবা বি.জে.পি. মনিপুর প্রদেসনা আপিল তৌরি।

ইম্ফালগী নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা থম্বাল শঙলেনদা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা বি.জে.পি. মনিপুর প্রদেসকী প্রসিদেন্ট-এ. সরদানা হায়-মীচমদা হিংশাগী থবক চথুবা য়ানিংদে। মসি পাংদবগী থৌওংনি। মনিপুরদা মতম খরা ইরাং নেমথরুরবা মতুং অসিগুম্বা লাইবক থিবা থৌদোক নৌনা অমুক থোক্লকপা অসিদা মীয়ামদা হেন্না মীপায়বা পোকহল্লে।

শ্রীমতি সরদানা হায়-নুমিৎ খরনি অসিদা লমদম অসিদা থোরক্লিবা ইরাং অসি লোয়শিন্নবা কেন্দ্র সরকারদা অহেনবা থবক লৌখৎনবসু খঙহনখ্রে। থোক্লিবা ইরাং অসিগী মতাংদা রাজ্যপাল-লক্ষমন প্রসাদ অচ্যারিয়াগসু উন্নদুনা অহেনবা মীৎয়েং চংবীনবা তকশিনখ্রে।

লংথাবাল কেন্দ্রগী এম.এল.এ. করাম শ্যামনসু অঙাং অহুম য়াওনা মীওই তরুক ফাজিনখিবা অদু অথুবা মতমদা থাদোকপীরকবা আপিল তৌরক্লি।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী তাপোকপী বজারদা ঙসি স্পাষ্টিক সোসাইতি ওফ মনিপুরগী নোংমগী ওইবা সেমিনার অমা হৌদোক্লদুনা শ্রী শ্যামনা হায়-মীওই তরুক ফাজিনখিবগী থৌওং অসিনা কাংলপুকী খেৎনবা থমদনা মীপুম খুদিংমক্কী থম্মোয়দা চাউনা নুংঙাইতবা অমা ফাওহল্লে। মহাকা হায়-ঙাকপীবা, মীনুংশি অমসুং থৌজাল হৈবা হায়বসি ঈশ্বরগী হেক ঙমথংনি হায়নরিবনি। মরম অদুনা, মখোয় তরুকপু অশোয় অঙাম য়াওদনা অথুবা মতমদা থাদোকপীরক্কুনা ইমুং মনুং অমদি মীয়ামনা ৱারিবা অসি কোকহনবীনবা মরী লৈনবশিংদা আপিল তৌরি।

শিব সেনা মনিপুরনসু ফাজিনখিবা মীওইশিং অশোয় অঙাম য়াওদনা মীনুংশিগী য়েংবীদুনা থাদোকপীরকবা আপিল তৌরক্লি। ইম্ফালগী বাবুপারাদা লৈবা দলগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উন্নবদা শিব সেনা মনিপুরগী প্রসিদেন্ট-এম. তোম্বী সিংহনা হায়-রাজ্য অসিদা মহৌশাগী ফিভম তপা তপা হঙ্গল্লক্লে হায়দুনা পুকিং খরা ইংথনরুবনি। অদুবু, হন্দক নুমিৎ খরনি অসিদা য়ুম মৈ থাবা য়াওনা নোংমৈ অমদি বোম য়াওনা লান্দারকপগী থৌওং অসিনা মীয়ামগী পুকিং চরাংনবা অমা থোকহল্লে। অসিগুম্বা ফিভম অসি হন্থনবা মরী লৈনবশিংনা অকনবা থবক লৌখৎনবসু দল অসিন তকশিল্লি।

মনিপুর পিপলস পার্টি (এম.পি.পি) নসু মীওই তরুক ফাজিনখিবা অদু য়ানিংদবা ফোংদোক্লি। কেন্দ্র অমদি রাজ্য সরকার অনিনা হোৎনদুনা ফাজিনখিবা মীওইশিং অসিবু মখোয় মখোয়গী ইমুং মনুংদা অশোয় অঙাম য়াওদনা শিন্নবীনবা হায়রি।

ওল ইন্দিয়া তানজিম-ই-ইনসাফনসু অঙাং অহুম য়াওনা মীচম তরুক ফাজিনখিবা থৌওং অদুবু কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। রাজ্য অসিগী চিংয়া তময়াদা লৈরিবা লৌবুকশিংদা লৌ লোকপা মতমদা ঙাক শেন্নবীনবা মতিক চাবা সেক্যুরিতি ফোর্সশিং থন্বীনবসু লুপ অসিনা আপিল তৌরক্লি।

মনিপুর ষ্টেট কন্মিসন ফোর ৱিমেন, পিছ এন্দ ইন্টিগ্রীতি কমিতি-ক্যামগৈ থৌবাল অমসুং ককচিং দিষ্ট্রিক্ট অপুনবা লুপনসু ফাজিনখিবা মীওই তরুক তেক্ত কায়দনা থাদোকপীরকবা আপিল তৌরক্লি।

রাজ্য অসিগী মহৈরোইশিংনসু ঙসি ৱাকৎ মীফম ফমদুনা ফাজিনখিবা মীওইশিং তেক্ত কায়দনা থাদোরকবা হায়রি।

**চান্দেল (এল)ঃ** মালেমগী দাইবেটিস নুমিৎ ঙসি মনিপুরদসু তোঙান তোঙনাবা মফমশিংদা পাঙথোকখি। মপুং ওইবা থৌরম রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সার্ভির্সেসকী এন.সি.দি. সেলদা পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা ষ্টেট নোদেল ওফিসার-এন.সি.দি ডা: য়ুমখাইবম প্রেমচন্দ্র সিংহনা হায়-নোংম-নোংমগী দাইবেটিস নাবা মশিং হেনগৎলক্লি। মসিদগী ঙাকথোকবগী খ্বাইদগী লায়বা উপায়দি হকচাং শাজেল তৌবা, অফবা চিঞ্জাক চাবা অমদি ব্লড সুগর টেষ্ট তৌবা তঙাইফদে অমদি ডাক্তরশিংগী পাউতাক তঙাইফদে।

মহাকা হায়-২০২১ দগী হৌদুনা হৌজিক ফাওবদা মীওই লাখ মঙা স্ক্রিনিং তৌখ্রে। মসিগী মনুংদা মীওই লিশিং ৫০ দাইবেটিস নাবা থেংনরে। মহাকা হায়-

দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি, চান্দেলনসু ৱার্ল্ড দাইবেটিস ডে পালন থৌরম ঙসি জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা চান্দেল সি.এম.ও.-ডা: জয়সন মেথিয়ু মোনশাংনা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি। চান্দেলগী দি.এন.ও, এন.সি.দি-ডা: এল. দেবেন সিংহনা দাইবেটিস হায়বা লায়না অসিদগী করমা ঙাকথোকপা ঙম বা ৱাফম কয়া থমখি। পালন থৌরম অসি চহি খুদিংগী নুমিৎ অসিদা মালেমগী

ওইনা ইন্টরনেসনেল দাইবেটিস ফেদরেসন অমদি ৱার্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসননা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা মীপুম খুদিংমক্তা লায়না অসিগী মতাংদা এৱারনেস পীরি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল-চান্দেলগী মেদিকেল সুপরিনটেন্দেন্ট ডা: সরবম শকচুং অমদি হোস্পিতাল অসিগী ষ্টাফশিং শরুক য়াখি। তুংদা, লেমা লায়েংবা অমসুং হিদাক-লাংথক য়েন্থোকপগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

**ককচিং (এল)ঃ** রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হৌজিক অশোয় অঙাম য়াওদনা লৌবুক্তা লৌ খাউবা অমদি য়ৈবদা সেকুর‌্যিরিতি ফোর্সনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি।

ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমসুং বি.এস.এফ. পার্সোনেলশিংনা তাংজেং-খাবুক, সুগ্ অমদি সেরৌগী অকোইবদা লৈবা লৌবুকশিংদসু সেকুর‌্যিরিতি পার্সোনেলশিংনা ঙাক শেনদুনা লৌমাশিংবু নীংথিনা লৌ য়ৈনবা ঙাক শেল্লি।

লাংমৈদোং অমদি চান্দেলগী চিংখোংশিংদা লৈরিবা লৌবুকশিংদসু ঙাক শেনবগী থবক চত্থরি।

**এৱার্ড (এল)ঃ** মনিপুর ষ্টেট জর্নেলিষ্ট এৱার্ড-২০২৪ ফংগদবা পাউমীশিংগী মিং লাউথোক্লে।

দাইরেক্তোরেট ওফ ইনর্ফোমসেন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স (দি.আই.পি.আর) না থোকপা চেরোলদা হায়-তোঙান তোঙানবা কেটেগোরি ৮ খাইদোক্তুনা এৱার্ড অসি পীগনি।

এৱার্ড য়েন্থোকপগী থৌরম থা অসিগী ১৬, জাতিগী প্রেসকী নুমিৎতা পাঙথোক্কনি।

**বোর্ডর ঃ** মণিপুরগী জিরিবাম জিলাদা উংখৎনবগী ফিভম হেনগৎলক্লিবা অসি

য়েংলগা অসাম মণিপুর ঙমখৈ পরিংদা কছার পুলিসনা সেক্যুরিতিগী থবক থৌরমশিং কনখৎখ্রে। বরাক তুরেলগী ফুলরতালদগী তুপিধর তুরেল পরিংদা কছার পুলিসনা হি তোংদুনা পেট্রোল্লিং চৎপা অমদি মফম কয়াদা নুমিদাংগী মতমদা পামদবা থৌদোক থোক্তনবা পেট্রোল্লিং চৎপগী থবক চথরি। কছার পুলিসনা আইন কায়না চংশিল্লকপা মীওইশিং থিংনবা অমদি লমদম অদুদা ইরাং থোক্তনবা থবক কয়ামরুমসু লৌখৎপগা লোয়ননা অচৎ অওকশিং চ্যেক তৌবগী থবকসু চথরি।

**মিজোরাম ঃ** অসাম রাইফলস অমদি মিজোরাম পুলিসকী অপুনবা কাংবু অমনা লুপা লাখ ৮৪ রোমগী মমল ওইগদবা হেরোইন গ্রাম ১১৩ ফাগৎলে। মিজোরামগী মেলবুক খুঙ্গংদগী নুপী অহুমদগী হেরোইন অদু ফাগৎখিবনি।

অমরোমদা, মিজোরমদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা মীওই অমদগী লুপা লাখ ২৫ হেনবগী ড্রগ ফারে। অসাম রাইফলসকী পাউনা হায়-অককবা পাউ অমা ফংবদগী আইজোলগী মফম অমদগী অসাম রাইফলস, স্পেসিয়েল নার্কোটিক্স পুলিস অমসুং সি.আই.দি ক্রাইম ব্রাঞ্চনা ড্রগ অদু ফাগৎখিবনি।

**মোদি ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি হয়েং বিহারগী জম্মুই জিলাদা পাঙথোক্কদবা জনজাতিয়া গৌরব দিবস হৌদোক্কনি। নুমিৎ অসি অদিবাসি লুচিংবা ধরতি অবা ভগবান বিরসা মুন্দাগী ১৫০ শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা পাঙথোক্কদবনি। শ্রী মোদিনা বিরসা মুন্দাবু ইকায় খুমবা ওইনা পোষ্টেল ষ্টাম্প অমসুং শেল ময়েক পুথোক্কনি।

প্রধান মন্ত্রিনা লুপা কোতি লিশিং ৬,৬৪০ চংনা পায়খৎপা তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট খরনা শঙ্গাগনি, খরনা যাত্রা হুনগনি। প্রোজেক্টশিং অদুগী মনুংদা রাজ্য অদুগী অদিবাসিশিংগী চাওখৎ থৌরাং অমসুং মনুং হঞ্জিন্না লৈবা মফমশিংগী লন্বী থোং শেমগৎ শাগৎপা য়াওরি।

রাজ্য অসিগী নোনে জিলাদসু হয়েং থৌরম অসি পাঙথোক্কনি। থৌরম

অসিগা মরী লৈননা হকশেল বিভাগনা শিনদুনা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমসু পাঙথোক্কনি।